# অসাম-অরুনাচলগী ঙমখৈদা চয়েৎনরিবা অদুগী মতাংদা জোইন্ট টিমনা চথরিবা য়েংশিনবগী থবক লোইশিল্লক্লে

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি):
অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশ ষ্টেট অনীগী তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাক্লিবা অদুগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবগীদমক ষ্টেট অনীমক্কী মীহুৎ য়াওবা জোইন্ট টিম অমনা চথরিবা য়েংশিনবগী থবক অদু থা অসিগী ৩১ ফাওবদা লোইশিল্লবা য়ানা লৈরে হায়না অসামগী বোর্দর প্রোটেক্সন এন্দ দিবলপমেন্ট মিনিষ্টর অতুল বোরানা ফোঙদোকখ্রে।




হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী অরোইবা ফাওবদা য়েংশিনবগী থবক লোইশিল্লবা মতুং সেপ্টেম্বর থাগী ময়ায় চল্লকপা ফাওবদা ষ্টেট অনীমক্কী চীফ মিনিষ্টরদা রিপোর্ট পীশিন্নবা থৌরাং তৌরি। মমাং থাগী ১৬ তা ষ্টেট অনীমক্কী চীফ মিনিষ্টরনা নাকল অনীগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈননা চয়েৎনবা কয়া লৈরিবা অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্নবগী মতাংদা য়াশিন্নবা পুরকখ্রবা মতুং ষ্টেট অনীমক্কী মীহুৎশিং য়াওবা জোইন্ট টিম অমনা য়েংশিনবগী থবক চথবা হৌরকখিবনি।

ষ্টেট অনীগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা অহানবগী ওইনা ঙমখৈগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবা অদুদা খুঙ্গং ১২৬ ঙমখৈগী শরুক্তা চয়েৎনদুনা লৈখি। অদুবু নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নরবা মতুং চয়েৎনরিবা খুঙ্গংগী মশিং ৮৬ তা হন্থখিবনি হায়রি।

অমরোমদা অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খান্দুনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অনীগী মরক্তা মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাকখিবা ঙমখৈগী ৱাথোকশিং লোয়শিন্নবগীদমক নাকল অনীনা মমাং থাদা খুৎয়েক পীনখিবা অদু য়াম্না মরুওইবা মতাং অমনি। নাকল অনীনা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা ঙসিদি চয়েৎনবা কয়া লৈরম্বা অদু লোইশিনবা য়াবগী ফিভমদা লাক্লে। মীয়াম্নসু লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা অমদি লৌরকপা ফিরেপশিংদা হেন্না মতেং পাংশিন্দুনা হান্না লৈনরম্বা নুংশিনদবগী মরী অদু থুগায়দুনা ঙমখৈগী শরুক্তা নুংশি চান্নবা লৈমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি। জোইন্ট টিম অদুগী রিপোর্ট লাক্লবা মতুং ৱারোইশিন অমা শোয়দনা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা চপ চানা লৈ হায়রি।



হন্দক পাঙথোকখিবা কম্মন ৱেল্থ গেমসতা ৱেথ লিফটিং মশান্নদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী সাইখোম মিরাবাই অমদি সিলভর লৌরকখ্রবী এস বিন্দিয়ারানিবু তরাম্না ওকখিবা

# বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা থা অসিগী ২৮ দা ট্রিপুরাদা ভিজিট তৌরগনি



অগরটালা, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
নুমিৎ নীনীগী ওইবা খোঙচত্তা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা ট্রিপুরাদা ভিজিট তৌগনি অমদি হায়রিবা মহাক্কী নুমিৎ নীনীগী খোঙচৎ অসিদা খুমুলোংদা পাঙথোক্কদবা পব্লিক রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙলবা য়ানা লৈ হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা মরুওইনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মতাংদা খন্নগনি। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা এবসোলুট মেজোরিটি ফঙদুনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়বা ঙম্নবা ষ্টেট বি জে পিগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নগনি। অমদি অথুবা মতমদা ষ্টেট বি জে পি য়ুনিৎকী অনৌবা প্রসিদেন্টকী মমিং লাউথোক্লবা খোঙথাংশিং পায়খৎলকপসু য়াই হায়রি।

অমরোমদা হৌজিক হৌজিক ট্রিপুরা বি জে পিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর মনিক শাহনা ফোঙদোকখিবদা, প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দাগী খোঙচৎ অসিনা ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী মপাঙ্গল হান্নগী হেন্না কনখৎহল্লগনি। সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি লুচিংবা অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট অসিদা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা প্রোজেক্ট কয়া মায় পাক্না পায়খৎপা ঙল্লে। মীয়াম্না থাজবা লৈঙাক অমদি পার্টি ওইবা মরম্না হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি সেগমেন্ট মরিগী বাই ইলেক্সন্দা বি জে পিনা সিট অহুমদা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। মসিদা নত্তনা বি জে পি মীয়ামগী ওইবা পার্টিনি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎনবগীদমক অগরটলাগী খুমুলাংদা মীয়ামগী ওইবা পব্লিক রেল্লি অমসু পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারি।

# ওইল পাম কলটিভেসনগী মতাংদা পতাঞ্জলি অমসুং ট্রিপুরা গভর্নমেন্টকা খুৎয়েক পীনখ্রে

অগরটালা, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি):
ট্রিপুরা গভর্নমেন্টনা পতাঞ্জলি ফূদ লিমিটেদকা ষ্টেট অদুদা পাম ওইল থানবগী মতাংদা য়ান চে অমা খুৎয়েক পীনখ্রে হায়না ষ্টেট এগিলকলচর মিনিষ্টর প্রনাজিৎ সিঙ্গারোইনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পাম ওইল কলটিভেসনগী থবক অসি নেসনল মিসন ওন ইদিবল ওইলগী মখাদা পায়খৎকদবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পাম ওইল কলটিভেসননা ষ্টেট অসিগী ইনকম জেনরেট তৌবদা চাওনা মতেং ওইরগনি। পাম ওইল কলটিভেসন তৌবখক নত্তনা ষ্টেট অসিদা পাম থাউ শুংনবা ফেক্টরি অমসু লীংখৎলগনি। পাম ওইল শুংনবা ফেক্টরি অসি মপুঙ ফানা লীংখৎপা ঙল্লবদি লমদম অসিগী ওইনা লৈরিবা মীওই কয়াদসু থবক পীবা ঙল্লগনি। মসিনা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম খরমখৈদি কোকহনবা ঙল্লগনি। ট্রিপুরা গভর্নমেন্টনা পাম ওইল থানবা মফমশিং খন্দোকপগী থবকসু চথবা লোইরে। ষ্টেট অসিগী মরুওইনা খোৱাই, ৱেষ্ট ট্রিপুরা, সেপাহিজলা, গোমাতি অমসুং সাউথ ট্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টতা পাম ওইলশিং থাবগী থবক চথগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পাম ওইল থানবা খন্দোক্লবা মফমশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা মফমশিংদসু পাম পান্বী অসি থাবা য়াব্রা হায়বদু য়েংশিল্লি হায়রি। অমরোমদা মীওই খরনদি ষ্টেট অসিদা পাম ওইল পান্বী থানবা লৈঙাক্না হোৎনরক্লিবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি।

# এদিক্ট ওইরবা পুলিস পর্সনেলশিং রিহেব সেন্টরদা থম্নবা থৌরাং লোইরে

আইজোল, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
মিজোরাম লৈঙাক্না ষ্টেট পুলিস ফোর্সতা মথৌ তৌরিবা অদুবু ময়ায় কাবা চিঙাক্তা এদিক্ট ওইরবা পুলিস পর্সনেলশিং রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থম্নবা থৌরাং তৌবা লোইরে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ষ্টেট পুলিস দিপার্টমেন্টতা ময়ায় কাবা চিঙাক মরুওইনা য়ুদা কা হেন্না এদিক্ট ওইরকপা পুলিস পর্নেল কয়া য়াওশিল্লক্লে। মসিনা মরম ওইরগা হোম দিপার্টমেন্টনা চেকশিন্না মোনিটর তৌরবা মতুং য়ুদা কা হেন্না লাইচুরবা পুলিস পর্নেল ৩৩৮ রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থম্নবা ফিরেপ লৌরে। রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা পুলিস পর্সনেলশিং অসি য়ামদ্রবদা নুমিৎ ৪৫ নি থমগনি। কেম্প অসিদা লৈরিঙৈ মতমদা পর্সনেলশিং অসি য়াম্না চেকশিন্না মোনিটর তৌগনি হায়রি।

# ‘মথং চহীদগী বি জে পিগা মখা তানা চৎমিন্নররোই’

শিল্লোং, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি):
মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেঘালয়া ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) না বি জে পিগা পুন্না চৎমিন্নররোই হায়না মেঘালয়াগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা এন পি পিগী সিনিয়র লিদর প্রেষ্টোন তিনসোংনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না মখা তানা বি জে পিগা থবক তৌমিন্নবা পামদ্রে। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা এন পি পিনা অতোপ্পা পার্টিগা চৎমিন্নবা ফিরেপ লৌবা লৈত্রে। পার্টি অসি মরোমদোম চৎলগনি। অতোপ্পা পার্টিগা চৎমিন্নদ্রবসু এন পি পিনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা এবসোলুট মেজোরিটি ফঙদুনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়বা ঙমগনি। সেন্টরদা লৈরিবা এন দি এ লৈঙাক্তগী এন পি পিনা তোকপগী ৱাফমদি লৈত্রি। মসিদি ষ্টেট মনুংগী ওইবা ৱাফম্নি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# পুলিসনা ফারবা বি জে পি ভাইস প্রসিদেন্ট মরাককী একাউন্টতা য়াম্লবা শেনফমশিং য়াওরম্লে

তুরা, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি):
তোঙান তোঙানবা কেসকা মরী লৈননা মেঘালয়া পুলিসনা মমাং থাদা ফাখিবা মেঘালয়া বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট বর্নাদ মরাককী বেঙ্ক একাউন্টতা মরম চাদবা ক্রোর কয়াগী শেনফমশিং য়াওরম্বা থেংনরে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বর্নাদ মশানা শেনফমশিং অদুগী মতাংদা মরম চাবা পাউখুম অমত্তা পীবা ঙমদ্রে হায়রি।



ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তুরাদা লৈবা ভাইস প্রসিদেন্ট মরাককী ফার্ম হাউস অদুবু অরানবা মওংদা মহাক্না শিজিন্নরম্বা থেংনবদগী পুলিসনা মহাকপু ফারমখিবনি। মহাক্কী ফার্ম হাউস অদু ব্রোথেল অমা ওইনা শিজিন্নরম্বতা নত্তনা ষ্টেট বি জে পি লুচিংবশিংগী পার্টি তৌফম অমদি অরোনবা নত্তবা লীচৎ চথফম ওইনা শিজিন্নরম্বগী মরালদা মহাকপু ফাখ্রবা মতুং মখা তানা ফার্ম হাউস অদুদা থি হুম্বা চথবদা পোকখায়হন্নবা য়াম্লবা মচাকশিং ফাগৎপা ঙমখি।

পনবা য়াবদি বর্নাদ মরাক অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলূপ অমগী লুচিংবা ওইনা থবক তৌরম্বা মীওইনি। লালহৌবা ওইবদগী পোথারবা মতুং পোলিটিক্সতা খোঙদাবা হৌরকখিবনি। অমরোমদা মহাকনা খুৎলায় থাদোক্তুনা নোর্মেল পুন্সি মহিংদা লাকখ্রবা মতুং মহাক্না লোয়ননা খুৎলায় থাদোকখিবা মীওইশিংনা ফংগদবা চাকথুংশিং অমত্তা মহাক্না পীরমখিদে। মসিগা মরী লৈননা মহাকপু ঙল্লিঙৈ মতমদা পুলিসনা ফারুবা লৈখ্রে। অদুবু মতিক চাবা খুদম ফংবা ঙমদবনা কোর্টনা মহাকপু অমুক হন্না থাদোকখি। মহাকনা বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা লৈরবা মতুং মহাক্কী ফার্ম হাউস অসিদা অমুক হন্না অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলূপ এ এন ভি সী-বিগী মীওইশিংগা লৌতুনদুনা তোঙান তোঙানবা মখলগী থবক থৌরমশিং চথবা হৌরকখিবনি। পুলিসনা হিরম অসিগী মতাংদা অকক্নবা পাউ অমা ফংলবা মতুং মহাক্কী ফার্ম হাউসতা মমাং থাদা ৱেইদ চথখিবনি হায়রি।

## CROSSWORD-3612



**ACROSS**
1 Midriff (7)
5 Tartan cloth (5)
8 Plantation product (5)
9 Vehicle excise duty (4,3)
10 One of the planets (7)
11 From this place (5)
12 Visitor (6)
14 Frightened (6)
18 Device for measuring drinks in a bar (5)
20 One of the Marx Brothers (7)
22 Underwater projectile (7)
23 Part of a wheel (5)
24 Preliminary period (3-2)
25 All together (2,5)

**DOWN**
1 Toxic element (7)
2 Disinter (3,2)
3 Large tent (7)
4 Cared for (6)
5 Take game or fish unlawfully (5)
6 Aerial (7)
7 Southern states of the USA (5)
13 Afterwards (5,2)
15 Wreckage floating in the sea (7)
16 Bishop's jurisdiction (7)
17 Disregard (6)
18 Fish-eating mammal (5)
19 Move furtively (5)
21 Christian symbol (5)

**Solution 3611**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-4013

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | 3 | |
| | 9 | 6 | | 2 | | | 1 | |
| | | | | 7 | 9 | 8 | | |
| 5 | | | 9 | 1 | | 4 | | |
| | 1 | | 3 | | 7 | | 2 | |
| | | 3 | | 5 | 2 | | | 1 |
| | | 7 | 8 | 9 | | | | |
| | 2 | | | 3 | | 5 | 9 | |
| | 5 | | | | | | | |

## Solution-4012

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 4 | 2 | 8 | 7 | 5 | 1 | 9 | 3 |
| 7 | 1 | 5 | 4 | 9 | 3 | 8 | 2 | 6 |
| 3 | 8 | 9 | 6 | 2 | 1 | 7 | 4 | 5 |
| 5 | 6 | 1 | 7 | 4 | 9 | 3 | 8 | 2 |
| 4 | 3 | 8 | 1 | 6 | 2 | 9 | 5 | 7 |
| 9 | 2 | 7 | 5 | 3 | 8 | 4 | 6 | 1 |
| 1 | 5 | 3 | 2 | 8 | 4 | 6 | 7 | 9 |
| 8 | 9 | 6 | 3 | 5 | 7 | 2 | 1 | 4 |
| 2 | 7 | 4 | 9 | 1 | 6 | 5 | 3 | 8 |

# EMPLOYMENT NEWS

## INDIAN ARMY AIZAWL RECRUITMENT 2022 FOR AGNIVEER

The Indian Army Agniveer Recruitment 2022: Advertisement for the post of Agniveer in The Indian Army. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 03 September 2022. Candidates can check the latest The Indian Army Recruitment 2022 Agniveer Vacancy 2022 details and apply online at the indianarmy.nic.in/ recruitment 2022 page.
The Indian Army Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ indianarmy.nic.in/. The Indian Army selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Delhi. More details of indianarmy.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Job Locations Aizawal
Experience Fresher
Salary 30000 - 40000(Per Month)
Educational Qualification:
Agniveer (General Duty): Class 10th (Matric) pass with 45% marks in aggregate and 33% in each subject. For boards following the grading system minimum of ‘D’ grade (33% - 40%) in individual subjects or grades with 33% in individual subjects appeared and an overall aggregate of ‘C2’ grade or equivalent corresponding to 45% in aggregate.
Agniveer (Technical): 10+2(Intermediate) Exam Pass in Science with Physics, Chemistry, Maths, and English with minimum of 50% marks in aggregate and 40% in each subject appeared. or 10+2 (Intermediate) Exam Pass in Science with Physics, Chemistry, Maths & English from any recognized State Education Board or Central Education Board to include NIOS and ITI course of min one year in the required field with NSQF level 4 or above.
Agniveer (Clerk / Store Keeper Technical): 10+2 (Intermediate) Exam Pass in any stream (Arts, Commerce, Science) with 60% marks in aggregate and min 50% in each subject. Securing 50% in English and Maths/ Accounts/ BookKeeping in Cl XII is mandatory.
Agniveer Tradesmen 10th pass: (i) Class 10th simple pass. (ii) No stipulation in aggregate percentage but should have scored minimum 33% marks in each subject appeared.
Agniveer Tradesmen 8th pass: (i) Class 8th simple pass. (ii) No stipulation in aggregate percentage but should have scored minimum 33% marks in each subject appeared.
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 30000 - 40000(Per Month)
Age Limit: 17½ - 23 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Agniveer in Indian Army.
How to Apply:
If you are interested in applying for Indian Army Recruitment 2022, then apply before 03/09/2022. If you want to know the procedure to apply for the Indian Army Recruitment 2022, then follow the steps given below.
Step 1: First, you will need to visit the Indian Army official website indianarmy.nic.in
Step 2: Once you enter the website look out for the Indian Army Recruitment 2022 notification.
Step 3: Read all the details and criteria to proceed further with the application
Step 4: Now the candidate should fill in all the necessary details. Make sure that you do not miss out any section in the application.
Step 5: Apply or send the application form before the last date.
Important Dates:
Published on: 09 August 2022
Last date for application is: 03 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## CBIC RECRUITMENT 2022 FOR HAVALDAR

CBIC Havaldar Recruitment 2022: Advertisement for the post of Havaldar in CBIC. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 31 August 2022. Candidates can check the latest CBIC Recruitment 2022 Havaldar Vacancy 2022 details and apply online at the www.cbic.gov.in/ recruitment 2022 page.
CBIC Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.cbic.gov.in/. CBIC selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Telangana. More details of www.cbic.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Central Board of Indirect Taxes and Customs (CBIC)
invites applications for recruitment of Havaldar
Havaldar
Job Location:
-, Shillong, - Meghalaya
Last Date: 31 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Central Board of Indirect Taxes and Customs (CBIC)
Central Board of Indirect Taxes and Customs (CBIC)Recruitment 2022
Details
Company CBIC
Job Role Havaldar
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Shilong
Experience Fresher
Salary Not Disclosed
Posted on 03 Aug, 2022
Last Date To Apply 31-08-2022
Educational Qualification: Please Refer Official Notification
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
Not Disclosed
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Havaldar in CBIC.
How to Apply:
Candidates must apply for CBIC Recruitment 2022 before the last date announced. Candidates, who apply for the CBIC Recruitment 2022, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of CBIC cbic.gov.in
Step 2: Search the notification for CBIC Recruitment 2022
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 04 August 2022
Last date for application is: 31 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

